**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-01-2025)**

**গান ঙাই (এল)ঃ** মণিপুরদা কবুই ফুরুপকী লৌরোক কুম্মৈ গান ঙাই লাইনিং লাইশোল অমসুং নাৎকী চৎনবীগা লোয়ননা ঙসিদগী পাঙথোকপা হৌরে।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা অথোইবা মীথুং ওইদুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী শগোলবন্দ রামজি কবুই খুলদা রাজ্য থাক্কী গান ঙাই ২০২৫ গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কাংলুপ খুদিংমকা মশা মশাগী নাৎ অমসুং চৎনবীশিং য়োকখৎতুনা থমবা হোৎনগদবনি। রাজ্য অসিদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নদুনা লাক্লিবা অসি ঙসিগী মীরোলনা কাউফম থোক্তে। ঙসিসু রাজ্য অসিগী য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমকা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা মনিপুরগীদমক পুন্না থৌদাং য়ামিন্নগদবনি।

আমেরিকাগী লোস এনজেলেসতা পাক্তকনা লামৈ চাক্লিবা অদুবু নীংশিংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মীওইবনা মহৌশাবু খুদুম চনদুনা তৌনিংবতা তৌবা য়াদে। করিগুম্বদা মহৌশাগী মায়োক্তা অরানবা থৌওংশিং চথুরবদি মহৌশানা পীরকপা অৱা চৈথেং কয়া থেংনবা তাবনি। ইং ২০০৪-০৫ দা মহাক া রাজ্যগী ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট মন্ত্রি ওইরিঙৈদা গ্রীন ইম্ফাল, গ্রীন মনিপুরগী থৌশিল পায়খৎলমখি হায়না ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরপু হেন্না চাউখৎপা রাজ্য অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্কী থৌদাং তঙাইফদে।

মহাকা হায়-সঙাই ইথনিক পার্ক অপগ্রেট তৌনবগীদমক লুপা কোতি ১০০ পীবিনবা কেন্দ্রদা হায়জখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী কৈকোলদসু জ়নিতি মোল অমা

লুপা কোতি ১৫০ চংনা পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি। মহাক্কী সরকারনা কন্না হোৎনবদগী তমেংলোং ফাওবা চৎপদা হান্না পুং অহুমলোম চংল্লম্বা অদু হৌজিক্তি মিনিট ৪৫ দা হন্থহনবা ঙমলে।

থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎ, ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাই, হিলস এরিয়া কমিতিগী চেয়ারমেন-দিংগাংলুন গাংমৈ অমসুং এম.এল.এশিং শরুক য়াখি।

**বসন্তা (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী চিংপু কবুই খুলদসু ঙসি রাজ্য থাক্কী কবুই গান-ঙাইগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোহবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হায়- হৌজিক মনিপুরগী ৱারবা মতম অসিদা
গান ঙাইগী থৌরম অসি কুম্মৈ হরাউগী মওংদা কা হেন্না চাউনা পাঙথোকপগী মহুৎতা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা তঙাইফদবা থৌরমশিংদমক খরা পীকশিন্না পাঙথোক্লিবা অসি হেন্না থাগৎনিংঙাইনি। ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা মীচম মীয়ামগী পুন্সিদা অৱাবা কয়া খাঙলিবা অসি খঙনা সরকারনা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। অদুমওইনমক, ৱাথোক অসি ইচম চম্বা ৱাফম অমা নত্তবা মরমনা, মতুংদা অসিগুম্বা ৱাথোকশিং থোকহল্লক্তনবা তুং কোইনা চৎনগদবা ৱারোইশিন অমা পুরকবা হোৎনবদা মতম খরা চংবনি। চহি লিশিং অনি হেন্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরক্লিবা মনিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হন্দনা কমদৌনা ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়বরোমদা মীয়াম পুন্না মীৎয়েং থমদুনা ৱাথোক অসি লোয়শিন্নবা হোৎনমীন্নবা তঙাইফদে।

তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু ঙসি গান ঙাইগী থৌরম পাঙথোকখি। ওল মনিপুর ইথনিকেল সোসিএল কলচরেল ওর্গানাইজেসন (এমেস্কো) গী থৌমীশিংনা শরুক য়াদুনা ঙসি গান ঙাইগী থৌরম শওম্বুং কবই খুঞ্জাউ, শওম্বুং সাইরেম কবুই খুল অমদি শওম্বুং দুইগায়পাংজাং কবুই খূলদা পাঙথোকখি।

পীরক্লিবা শাফু অসি ঐখোয় য়েলহৌ ফুরুপশিংনা চপ চানা থেংনমীন্নসি হায়বা ৱাখল্লেনাগী মখাদা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

**গোবিন্দাস (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী চিনিকোন কবুই খুলদা ঙসি পাঙথোকখিবা গান ঙাইগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যগী ৱাক্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়-মনিপুর অসি মতম অমদা চিংনা কোইনা পানশাবা চীংমীনা কোইনা পনঙাকপা নুংঙাইরবা লমদম অমা ওইরম্মী। অদুবু, হৌজিক্তি চিংগী পলশিং নীংখায়রকপদৌনা তৌবগী মওংদা লাক্লিবা অসিনা অৱাবা কয়া নংবা লমদম অমা ওইরে।

মীহৌরোলদগী হৌনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকপা অদু তোখায়না লৈনিংবগী ৱাখল্লোননা অকায়বা থোকহল্লক্তুনা ফিভম অসি ওইরকপনি। লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওই কয়ানা মশাগী মিংচৎ ফংনবা হোৎনবদা ইতিহাস অমসুং নাৎ-চৎনবীবু শেমদোক শেমজিন তৌদুনা ফুরুপশিং অদুবু লান্না লমজিংল্লকপদগী অসিগুম্বা সমস্যা কয়া থোরকখিবনি। অসিগুম্বা থৌওংশিংনা কাংলুপ পুমমক্কী ওইবা ৱাখল্লোন্দগী নাথৈদুনা মশা মশাগী কাংলুপ খক্তগী ওইবা ৱাখল্লোন শাগৎতুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং অসি থোকহল্লকপদগী কাংলুপ অমখক নত্তনা মনিপুরদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমক লোয়না ৱামীন্নহল্লে।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা হায়রি-ঙরাং লোকেল মেদিয়া খরদা এন.এস.সি.এন (আই.এম) না থোকপা চেরোল অমদা উখ্রুলগী এস.পিনা কুকি মিলিটেন্টশিং মতেং পাংলে হায়না ফোংখিবা পাউ অদু যুম্ফম য়াওদবনি।

মনিপুর পুলিসনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হায়-লুপ অসিনা অসিগুম্বা চেরোল অমত্তা থোকখিবা লৈতে। মমাং চহিগী দিসেম্বর থাগী তাং ১২ দগী ১৯ ফাওবা বি.এস.এফকী টিম খরা মোলহাম কুকি খুলদা চৎপা অমসুং খুল অসিদা শারিবা সেক্যুরিতি বেরেকশিং শেম শাবদা য়াওরিবা শিন্নী

অমসুং পোৎলমশিং পুবা গাড়িশিং সেক্যুরিতি পীবিনবা বি.এস.এফ, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং পুলিস হেদক্বাটরদগী খঙহল্লকখি। মনিপুর পুলিসনা মখা তানা মেদিয়াশিংনা পাউ ফোংবা মতমদা চেকশিনবীনবা আপিল তৌরি।

**অমুকো (এল)ঃ** অমুকোগী ৩২ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী মাংওইননা ঙসি অমুকোনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসনদা শগোল মরি মতেং পাংখ্রে।

থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট-ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং য়াওনা লুপ অসিগী থৌমী কয়া শরুক য়াখি।

**পুরুক (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী উচেক্কোন তাখোক মপানদা লৈবা পুরুকশৌবী ইবুধৌ পাখঙংবগী চহিগী হৈকৎ লৈকৎ তম্গী থৌরম হয়েং মপুং ফানা পাঙথোকবা শেম শারে।

লৈবাক্কী ওইবা অরুবা লাইফমলেন অসিদা চহিগী হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরমদা মীয়ামনা শরুক য়ারনবা পুরুকশৌবী ইবুধৌ পাখঙবা থৌশিল লুপনা ফোংদোরক্লি।

**উত্রা (এল)ঃ** উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা য়ুমজাউ লাহরেন্বী য়ুম চংবগী লাইথৌ থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি ইবুধৌ পাখঙবনা ফম্বাল কারবা মতুংদা ইমা য়ুমজাউ লাইরেন্বীনা য়ুম চংদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুবু নীংশিংদুনা চহি খুদিংগী ৱাকচিংগী ১৩ নি পানবদা নিংথৌগী চহিগী মশিল অমা ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকপা থৌরমনি।

**য়াইরিপোক (এল)ঃ** য়াইরিপোক কৈথেল অমদি অকোইবদা করবার তৌরিবা

মীওইশিংদা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনা পুবা থাংবা ঙমলোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌরকপবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা য়াইরিপোক কৈথেলদা জেনরেল ষ্ট্রাইক চথবা হোখ্রে। জেনরেল ষ্ট্রাইক অদু য়াইরিপোক সোপ ওন্নরস ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথখিবনি।

**চোংথা (এল)ঃ** য়ুনাইটেদ চোংথাজনা চহি খুদিংগী পীবা মিয়া সিংহ মেজর ৱারিয়ার এৱার্ড কুমশি চহিগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কাদাংবন্দদা মনিপুর থুগায়নবা লান্দারকখিবা কুকিশিংগা লান্থেংনবদা অরৈবা থৌনা উৎতুনা মমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎথোকখিবা উরিপোক অচোম লৈকাইদগী সঞ্জিপকুমারদা পীরগনি। মনা অসি থা অসিগী ১৭ তা মনিপুর প্রেস ক্লবতা-ঐখোয়না কনগনি, ঐখোয়না ঙাক্কনি, ইমা লৈবাক, ইপু লমদম হায়বা হীরমদা পাঙথোক্কদবা মেজর চোংথাম মিয়াগী ১১৭ শুবা নীংশিং থৌরমদা লান্থোক্কনি।

**ফোরেষ্ট (এল)ঃ** ফোরেষ্ট গার্দ রিক্রুইটমেন্ট ইগজামিনেসন ঙসি মায় পাকা পাঙথোকখ্রে। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট মনিপুরগী কমন্ট্রোল্লর ওফ ইগজামিনেসননা থোকপা চেরোল অমদা হায়-পুন্না কেন্দিদেট লিশিং ৮,৩০৩ না এপ্লাই তৌরকপগী মনুংদা কেন্দিদেট লিশিং ৬,৮০০ না পরিক্ষা অসি থাখি।

**এলুমনাই (এল)ঃ** ইম্ফাল কলেজ এলুমনাই এসোসিয়েসনগী এলুমনাই মিটকী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ক্লাস টেনগী ষ্টেট লেবেল কম্পিটিটিব ইগজামিনেসনদা মকোক মথং তারবশিংদা ঙসি মনা মথুমশিং য়েন্থোকখ্রে।

লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টর ককচিংনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা অথোই অহেন চাংদমবা অদুগী মনা য়েন্থোকপগী থৌরম ককচিংদা লৈবা গ্রেস

কোটেজ একাডমীদা পাঙথোকখি।

**তেংবাং (এল)ঃ** ওল মনিপুর ন্যুজ পেপর এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া ইমপ্লোয়িজ এসোসিয়েসনগী মীহুৎ কাংবু অমনা শোক্তুনা লৈরিবা পোকফম প্রেসকী ষ্টাফ লৈশাংথেম মাইসনদা শেলগী তেংবাং পীখ্রে হায়রি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিগী নহারোলশিংদা লৈরিবা তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং অসিনা ভারতপু চাউখৎলবা লৈবাক অমা থুনা ওইহল্লকপা ঙম্লগনি।

ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা ঙসি ভিক্সিত ভারত য়ঙ লিদরস দাইলোগ ২০২৫ গী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-হৌরক্লিবা মীরোলনা সমস্যা খুদিংমক্কী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি হায়বসি মহাক্কী থাজবনি। লৈবাক অসিগী শিংথানিংঙাই ওইরবা মায় পাকপা কয়া পুরকবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমকা পুন্না থৌদাং লৌমীন্নবা তঙাইফদে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-শেল থুম, খুন্নাই, কালা সংস্কৃত্তি অমসুং ষ্ট্রেটেজিক্কী লমশিংদা হেন্না শক্তি লৈরবা মতমদা চাউখৎলবা ভারত অমা পুরকপা ঙমগনি।

**মহা কুম্ভ** ঃ উত্তর প্রদেশকী প্রয়াগরাজদা হয়েং পৌষ পুর্নিমা নুমিৎতা অহানবা অমৃট স্নান পাঙথোকপগা লোয়ননা মহাকুম্ মেলা হৌরগনি। মসিগীদমক মপুং ফানা শেম শারে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- প্রয়াগরাজগী মফম কয়াদা উ-ৱা থাদুনা উমং শেমগৎলে। মসিনা মহাকুম্ভ মেলা য়াওবা লাক্লিবা ভক্তশিংদা অশেংবা নুংশিৎ নুংশা নিংথিনা ফংহনবগা লোয়ননা অকোইবগী ফিভমদসু অকায়বা থোকহল্লরোই। নুমিৎ ৪৫ নি চথগদবা থৌরম অসিনা ধর্ম্মগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা নত্তনা মালেমগী মফম কয়াদগী লাক্লিবা যাত্রিকশিংগী হকশেলগী

মতাংদসু নিংথিনা য়েংশিনগনি। হকশেলগী লমদা পায়খৎপা মপুং ওইবা থৌরাং অমদি মীৎ শোকপদগী ঙাকথোকবা নেত্র কুম্ভ আই ফিয়ার অসিনি। থৌরম অসিগী মখাদা অনোক লাখ ৩ য়েন্থোকপা, নুমিৎ খুদিংগী মীওই লিশিং ১০ লায়েংনবগী পান্দমদা ও.পি.দি লাখ মঙা পাঙথোকপনচিংবা য়াওরি। নেত্র কুম্ভ অসিদা মীৎ দান তৌবগী কেম্পসু পাঙথোক্কনি।

লৈবাক্কী মফম কয়াদগী লাকপা ডোক্তর ২৪০ গী কাংবু অমনা মহাকুম্ভগা হকশেলগী থৌরাংদা শরুক য়াগনি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, ক্ষেত্রিমযুম বিরোজদগী--**

**ফুটবোল (এল)ঃ** ক্ষেত্রিমযুম অরুনকুমার মোমোরিএল ফোরট ইন্টর ক্লব ফুদসাল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী মেনেজর মীতিং হয়েং লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না অস্ফালগী জেনেরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** পাময়াল গ্রাউন্দদা চথরিবা তরুকশুবা এস.ঐচ. মণি শর্ম্মা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী মেটচ অমদা টি.এস.এফ.এনা য়ু.ৰাই.পি.এবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচতা কে.ৰাই.দি.সি. অমসুং এন.বি.সি.এ. পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** থৌনাওজম গ্রাউন্দদা চথরিবা অনিশুবা ইমা পান্থোইবী ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পুমলেন এফ.সি-তোকপা চিংনা বিরাত এফ.সি. ককচিং খুনৌবু পেনালতি সুট আউটতা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা চথরিবা অহানবা ওইনাম চারলি মেমোরিএল অন্দর ফিফতিন ফুটবোলগী ফাইনেলদা বি.এফ.সি. টিম (বি) কোংবা অমসুং মঙাল এফ.সি. খাবম থেংনরগনি। ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা বি.এফ.সি. (বি) না গোর্ল্ডন এফ.এবু পেনালতি সুট আউটতা, মঙাল এফ.সিনা অতিংঙা এফ.সি-কিয়ামগৈবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ফাইনেল থা অসিগী ১৮ দা শান্নরগনি।

**হোকি (এল)ঃ** মনিপুর হোকিগী মীৎয়েং মখাদা ৱাই.সি.সি.আই.সি. কোন্থা অহল্লুপনা শিনবা ১২ শুবা য়ুমাম রাজমণি মেমোরিএল ইনভাইটেসন অন্দর ফিফতিন বোইজ এন্দ ৱিমেন্স ওপন কেস প্রাইস হোকি টুর্নামেন্ট ২০২৫ ঙসি ইবুধৌ থাংজিং গ্রাউন্দ কোন্থা অহল্লুপতা হৌখ্রে।

ঙসি হৌদোকপগী নুপীগী মেটচতা ৱাই.সি.সি.আই.সিনা টি.ডব্লিয়ু.সিবু পাঞ্জল ৯-৪ দা থোইখ্রে। নুপাগী মেটচ অমদা সি.ওনা ৱাই.সি.সি.আই.সি (এ) বু পাঞ্জল ১১-১ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপাগী কাংলুপ্তা টিম ৯ অমসুং নুপীগী কাংলুপ্তা টিম তরুকা শরুক য়ারি।

**যোগ(এল)**ঃ অহানবা মনিপুর যোগআশানা চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা মকোক মথং তাখ্রবা যোগ শান্নরোইশিংদা মনা পীবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কাংঙম্বম লৈকাই মচিনদা লৈবা ফ্লাস মান্দপতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা যোগ শান্নরোই ১৫০ দা মনাশিং য়েন্থোকখি।

**গেমস (এল)ঃ** উত্তরাখন্দদা চথগদবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমস ২০২৫ দা শরুক য়ানবা মনিপুর জদো শান্নরোই অমসুং ওফিসিএলশিংগী মিং ঙসি

লাউথোকখ্রে।

গেমস অসিদা শরুক য়ানবা মনিপুরগী অচারি টিম অমসুং ব্লুশু শান্নরোই্শিংগী মিংসু ঙসি লাউথোকখ্রে।